ইরৈবাক

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬, ২০২০

# মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা

মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোকপা হায়বসি অরাইবা অমদি নত্তে। মীপুম খুদিংমক্না চেকশিনবগা লোয়ননা মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা অকায়বা পীদনবা হোৎনমিন্নবা হায়বসিনা থোকহন্নিংদবা খুদোংথিবা কয়ামরুমদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বে অমা ওইগনি। মনিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা নোং মরাং কায়না চুবা ষ্টেট অমনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী ময়োনলমদগী অৱাং-নোংপোক চিদাইদা চীংনা ইকোই কোইশিন্দুনা লৈরি। চীংগী লম্না অয়াম্বা শরুক ওইরিবা মনিপুরদা নোং খরা হেক চুরকপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম লমদমসিগী মীয়াম্না তত্তনা মায়োক্নরি। য়াম্না তোয়না চীং নিঙ্খায়দুনা লম্বী তৎপগী থৌদোক্তা লন-থুম কয়ামরুম মাঙহন-তাকহনবগা লোয়ননা মীশি-মীনা ফাউবা য়াউরক্লি। মসিগী মরু ওইবদি চীংগী শরুকশিংদা উমং-ৱামং কোকথোক্লককপগী চাং হেনগৎলকপা, চীংদা লৈরিবা চীংমীশিংনা মখোয়গী পূন্সি মহিংগীদমক পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্নবা কেমিকেল ফর্টিলাইজরনচিংবা শীজিন্নদুনা মহৈ-মরোং থাবদগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা লৈবাক লৈহাউ মাঙখিবদগী নোং খরা চুরকপগা লৈবাকশিং চেন্থখিদুনা চীং নিঙ্খায়বগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্লি। হৌজিক মনিপুরগী চীংগী শরুকশিংদা লৈরিবা উমং-ৱামংশিং অসি মরু কোকশিনলক্লে। চীংমীশিংনা য়াম্না তোয়না খুল হোঙদুনা খুল মচা মচা কয়ামরুম শেমগৎলকপা অসিনা চীংগী মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা নোংমা নোংমগী ফিভম শোকচিল্লক্লি। উমং ৱামং কন্নবা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী অমদি লনাই মীওই কয়ানা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু থারিবা উ চারাশিং মপুং ফানা হৌননবা হোৎনবিদবা অমদি শেন্দাল লম্বীগীদমক উমং কোকথোরকপসিনা মীওইবা খুন্নাইনা মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা শিংনবসু হেনগৎলক্লি। হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লিবদি নেস্নেল হায়ৱে অমদি লম্বী মপান্দা খুন্দাশিল্লকপগী হৈনবী লৈরকপসিনি।

হৌখিবা নুমিৎ মরিনি মঙানি মমাংদা মনিপুরদা ময়াই ওইরপ্পা নোং লেপ্তনা চুরকপদগী মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা মীপুম খুদিংমক্না মায়োক্নরি। মহৌশানা মেরা থা অসি মনিপুরদা ঈশিং ঈচাও ময়োক্নদুনা লাক্লি। অদুবু মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা পীবগী চাং হেঞ্জিনলকপসিনা মরম ওইদুনা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা মায়োক্নবসু হেনগৎলক্লি। লৌমীশিংনা লৌবুক্তা খাউদোক্তুনা থন্নবা ফৌবোনশিং ঈশিংদা থুমজিনখিবদগী অৱাবা মায়োক্নরক্লি। মণিপুরগী চীংগী মফম কয়াদা চীং নিঙ্খায়দুনা লম্বী ফাওনবা ঙমদ্রে। নেস্নেল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী সেনাপতি দিস্ত্রিক্কী মাও সবদিবিজনগী মনুং চনবা লাইরৌচীং অমসুং কারোংগী মরক খোংনেম থনাদা মিটর ৫০ রোম শাংনা চীং নমথখিদুনা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী ফাওনদ্রে। লম্বী ফাওনদবসিনা পোৎচৈ পুরকপা গাড়ি অমদি পেসেঞ্জর পুরকপা গাড়ি কয়ামরুম লমখাংদা পন্দুনা লৈরি। চীং নিঙ্খায়রিবা মফমসি লম্বী ফাউননবা হোৎনবসি নুমিৎ মঙা তরানিদা ওইথোক্কদবা নত্রে। অনৌবা এপ্রোচ রোড অমা শেম্লগা নেস্নেল হায়ৱে অসি ফাওনবা থৌরাং লৌখৎলকপা তাবনি। অসিগুম্বদা খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা মতমদা লম্বী ময়াদা খুন্দাশিনবসিনা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থৌরাংশিংদা অপনবা মায়োক্নহল্লি। পট্তা তাশিনবা য়াদবা তুরেল তোর্বান অমদি লম্বী মপান্দা পট্তা পীশিল্লিবসি লৈঙাক্কী মরি লৈন্নবা দিপার্টমেন্টশিংগী অচৌবা অশোয়বনি। মশাগী ফুরিৎখাউ চোন্নবগীদমক তৌখিবা অশোয়বা কয়ামরুমনা মীপুম খুদিংমক খুদোংথিবা নংহল্লিবনি। মরম অদুনা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লৈঙাক্না মতম চুপ্পদা অচুম্বা খোঙথাং লৌখৎপা তঙাইফদে।

# শারেপ ফাগৎলকপা – ৩৬

ওজা ইবোমচা

*নুপামচাশিংগা নুঙাইনা মকা লাম্না লোইনবা, তিন্নবা করিশু অকায়বা লৈতে। ৱারী তৌবা, নোকপা, নুপামচা পুম্বগা নুঙাইনা ফাগী তৌনবা, জগোই শামিন্নবা করিশু কায়দে। নুপামচা কমদৌই খঙগনি। উবা হৌনবা উশিনগনি।*

পূন্সি চুপ্পা হিংমিন্নগদবা মীশক্তু কমদৌনা থেংনবা? নুপামচাশিংনা ঐখোয়দা তৌহন্নিংলিবসি করিনো? করম্বা নুপীমচানো মখোনা পাম্লিসে? অসিগুম্বা ৱাহং মচা-মচাশিংনা কাঙদোং ফারকপদা ঙায়রিবী নুপীমচশিংবু ৱাহল্লে। নুপীমচা খর অমদি মশাবু ফাথজবা, লাকশিঞ্জবা ঙম্লক্তে। মখোয়না ঙাউজবশিংদুনা মখোয়দা ঙাউশিল্লক্তে। অহানবা হায়রকপশিংদুনা খুদোংচাবা লৌবী। মাঙদুনা তোকচৈ। ঙাইবা, য়েঙবা কনগদবনি।

খংফম থোকপা, খঙদবা য়াদবা খরদি – শক ফজবা, ফিভম চুম্বা, কুচু লময়ৌবী অসিঙাক্না মীয়ামলক্তা ফন চোংথোকপা য়াদে ফিজেৎ-চাকচা, শক চুম্না শেম্ব, শমহাৎ, তরু তনানবা অসিগুম্বা য়াউদবা য়াদে।

লমচৎ-শাজৎ ফজবা, তৌথোক্লককপদা পকচবা, য়েংনীংবা হায়বা অমসুং লৈরি। ৱাহৈ অমত্তদা পুন্সিল্লগা নুপীমচা মাঞ্জবা অসিনি মরুদি। নুপামচানা নুপী মানবী, মীনা য়েংনীংবী, লমঙানবী, ইকায়থিবী, নুপীমচা মানবী!

থাজনিংঙাই ওইবা, মী তিন্নবা য়াবী, ৱাখল খনবী অসিগুম্বীদি নুপামচশিংনা লূম্না লৌজে। মরম অসিনা তুং কোয়না লাকচরকই।

নুপামচাশিংগা নুঙাইনা মকা লাম্না লোইনবা, তিন্নবা করিশু অকায়বা লৈতে। ৱারী তৌবা, নোকপা, নুপামচা পুম্বগা নুঙাইনা ফাগী তৌনবা, জগোই শামিন্নবা করিশু কায়দে। নুপামচা কমদৌই খঙগনি। উবা হৌনবা উশিনগনি।

মরুপ-মপাংশিংদা মখোয়না তৌবা থবক্তা থৱায় য়াওশিনবা মসিবু ফোঙদোকপা য়াম্না ফবা পোৎনি। মীনা থৱায় য়াওশিনবা ফোংদোক্লককপদা নুঙাইবা তমগদবনি। মীনা থাগৎলকপা থেংনবদা নহাক্না থৱায় য়াওরিম্বা নুঙাইজে হায়হৌগদবনি। নুপামচা পূম্বনা পামজবা মওংসি চপ মান্নদে। খরা খরা মথৈনৈ। খরনা হৈ-শিংবী, চঙ থোকপী, ঙাংগন-শক্কনবী পাম্মী। খরা অমনা তূমিন লৈজবী, ৱা ঙাংবা হৈজদবী, য়ূমশংবী পামজৈ।

শেৎতোক-চাথোক্লককপদা পকচহী, ইচম চমজবী, পংথোমদা থোমজিনবী পামদবী নুপীমচা ঙাওরোইদবা নুপামচা লৈতে। নুংসিবা মনম্না হাবমখৈ থাদবী, মশেল-মরাং খজিক নম্বী, শেম-শাবী ইমান মান্দবী, মেক-অপ য়াম্না থানা থোমজিন্দবী – নুপীমচাবু নুপামচানা য়েংজনিংই। চিনবাল শংদ শংবী, খূজিল ইগুম ঙাঙবী, মখোয়না পামজদে। মখোয়বু নুপামচা মালহনবা নুপীবু নুপানা পামজৈ।

নুংশিবা ফোঙদোকপদি য়াম্না হেক্তা লীকশিনগদবনি। তহা-তহারোইদবনি। মসিগী মথক্তা অউৎনরোইদবনি। মসিগী মতাং অসিদদি থোইদোক্না ইকাইথিবী ওইগদবনি। অউৎনবগী কাইদা অসি নুপামচাশিংনা থোইনা য়েঙনিংদে। মরম অসিনা য়াম্না হৈনা শিংনা, মাঙবা য়াদে হায়বা অমা খন্না লীকশিনগদবনি। কনাগুম্বনা অমনা থোইদোক হেন্দোক্না থৱায় য়াম্না য়াওশিল্লক্লবসু মদু তরাইনা লৌরোইদবনি, হেন্নদুম য়াম্না চ্যেকশিনগদবনি। মহাক্কী থৱায় য়াউবা, হৈনিংবদু মাঙখ্রবদি কমদৌবা? ওউৎনরক্লবদি লৈক্রক্তা চংবসু য়াবা নত্তা মতা য়াম্না চারোই। চেকশিনহৌরন্নবদি ঙম্নমক নহাকপুদা তান্নরক্কনি।

# খুন্নাইদা অওনবা পুরকখিবা য়াওল্লোয় ইরাবত – ০৫

সোটিনকুমার

জেলদগী থোরক্লগা মনিপুরদা চংবদা কম্যুনিষ্ট ওইখিবদগী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুংদা মহাক্না কছাড়াদা মহাক্না লৈরিঙৈদা লৌমীশিংগী ঈহৌ শাগৎখি। লাইনিং মান্নদবা, জাৎ মান্নদবা খায়দনা তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্নীগী লুচিংবা ওইরম্মী। কুম ১৯৮৩ দা কম্যুনিষ্ট মীরেপ ওইনা ভোট লেপখি। অনীশুবদা লৈহৌই। কছাড়দা লৌমীশিংগী অরান খুভমগীদমক ঈহৌ শাগৎখিবদুগী ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাকপু 'জননেতা' মিংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নখি। মফমদুদগী মে ২৩ দগী জুন ২৩ দগী জুন ১ ফাউবা কুম ১৯৪৩ দা বোম্বেদা পাঙথোকখিবা সি পি আই গী অহানবা মীফমদা শরুক য়াখি।

ইং ১৯৪৬ মনিপুরদা হল্লক্লবা মতুং মীয়ামগী লুপ কয়া শেমগৎতুনা জাতি অসিগী শেল-থুম, সমাজ-সংস্কৃচি, রাজনিটিগী মায়োনদা অহোংবা অওনবা কয়া পুরক্লবা থেংনখি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী মনুংদা হেন্না মনীং তম্বা পীবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈহন্নবা, ইং ১৯৪৬, এপ্রিল তাং ৫ দা নিখিল মনিপুরী মহাসভা অমসুং মনিপুর প্রজা মন্দলগী সুপ্না ফম্বা মীফমনা পুর্নদায়ত্বশিল শাসনগী ৱারেপ লৌদুনা ফেদরেলিজমগী অকনবা ঈথিল পীখি। ইং ১৯৪৭ কী নবেম্বর তাং ৩০ দা এম দি য়ু হোলদা নাগাশিংনা তোঙানবা ষ্টেট শেম্নবগী ৱাফম লাকপদা মনিপুরগী চীং তমদা লৈরিবা জাতি পুম্নমক্কী অপুনবা মীফম কৌদুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখি। অপুনবগী শক্তম ঙাকখি। ইং ১৯৪৮ অহানবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা উৎলৌ কেন্দ্রদগী কাখি।

ইং ১৯৪৮, ফেব্রুৱারী ২৮দগী মার্চ ৬ ফাউবা কলকতাদা ফমখিবা অনিশুবা সি পি আইগী মীফমনা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ চংশিন্নবা ৱারেপ লৌবদসু কমরেদ ইরাবত অসামগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াউখি। ইং ১৯৪৮, আগষ্ট তাং ২৩ দা মনিপুর কম্যুনিষ্ট পার্টি ইরাবতকী লমজিং মখাদা লিংখৎখি। কেন্দ্র সরকারনা মনিপুর ত্রিপুরা, লুসাই হিলস অমদি কছাড় দিষ্ট্রিক্ট পুল্লগা পুর্ব্বঞ্চল প্রদেশ হায়না কৌবা ষ্টেট অমা ওইনা শেম্লগনি হায়রপগী মায়োক্তা সেপ্টেম্বর ২১, ইং ১৯৪৮ দা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্নবা হৌরকখিবা আন্দোলন অমসুং পুংদোংবম থৌদোক অদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱারেন্ট থমদুনা অন্দরগ্রাউণ্জ তাহনখিবদগী অসেমব্লি মীফম অমত্তা য়াউবা য়াখিদে।

ইং ১৯৪৮ সেপটেম্বর ২১ গী 'পুংদোংবম ঘটনা' মতুদা হেনফদনা অন্দরগ্রাউণ্ড তারবা মতমদা দিসিপ্লিন লৈবা কম্যুনিষ্ট পাটিউ অমা শেমহৌদবদগী খুদোংথিবশিং মথং মথম উনরক্লম্মী। মরম অসিদগী আগষ্টকী তাং ২৩ ইং ১৯৪৮ দা মনিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা শেমহৌদবগী খুদোংথিবশিং মথং মথং উনরক্লম্মী। মরম অসিদগী আগষ্ট তাং ২৩ ইং ১৯৪৮ দা মনিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি, দিওসিগী থাক্তা লিংখৎখ্রবসু কম্যুনিষ্ট পার্টি অমা ওইবগী নিতি নিয়ম দিসিপ্লিন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা নিংথিনা ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদে। অশোয়বা কয়াসি উরক্তুনা কমরেদ ইরাবতনা সেল্ফ ক্রিটিসিজম পীখি। পঙদোংবম গটনা মতুদা অন্দরগার্উণ্ড তাখ্রবদা অমুক হন্না রিওর্গেনাইজ তৌদুনা শিংথাবা য়ানবা থবক কয়া পাঙথোরকখি। মনিপুরগী মীয়াম্না য়ারবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওইরকখিরম্মী। লোয়ননা মীয়ামগী শ্বার্থদা দাবী কয়া পুখৎতুনা সোসিয়েলিষ্ট রিভোলুসনগী খোঙজংদা খূৎলায় পায়দুনা অকনবা লাঞ্জং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকখি।

ইং ১৯৫০ গী মে থাদা পার্টি সেন্টরগী অয়াবা লৌদুনা কমরেদ ইরাবতপু বর্ম্মাদা থাখি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ১১ দা থুংখি। বর্ম্মাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংগা অচেৎপা মরী থম্নরম্লগা পাউদম্লুনবা থোক্লকপদা লম্বীদা নারকপদগী ইং ১৯৫১ গী সেপ্টেম্বর তাং ২৬ তা বর্ম্মাগী তাংবোদা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

ঙসিদি ইরাবতকী পূন্সি, থবক, পান্দম, ৱাখল্লোন খিবিক অসিমক খ্বাইদগী মরু ওইরক্লে। লমদমসিগী জাতি অসিগী,মালেম অসিগী ওল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মহাকপু নীংশিংবগী, নৈনবগী, তুংইনবগী, তঙাইফদবদুনি হৌজিক্তি। কল্লকপা কোনশিল্লগা নাকোয়ননা চিংথনবা হোৎনবা, মহাক্কী ৱাখল্লোন অমত্তা য়াউদনা নুংশিবা শাদুনা কোম্থুনবা হোৎনবদা কয়া অমসু য়াউরক্লবনি। পূম্নমকসি তেকশিনবা, মশক মুন্না খঙদোকপা, ইরাবতকী অসেংবা মশক নিংথিনা কন্দুনা থম্বা, পুখৎনবা হোৎনবা চংই।

ঙসিদগী লমদম অসিগী ওইরক্লিবা অপুনবগী শক্তমদা শীংনরকপা, নুপীশিংগী হক কন্নবা, মখোয়গী শক্তি হেনগৎহন্নবা চংশিন্নরক্লিবা, লায়র অতোনশিংগী পূন্সিদা য়ৈরক্লিবা চৈথেং, পোৎ-চৈ তাংবা, থবক ফংদবা নহাশিংগী তুংগী আশা উরক্তবা, কেপিটেলিজম, ইম্পেরিয়েলিজম অমদি ইম্পেরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসনগী অকিবা ফংলবা অকনবা শাফুনা য়ৈশিল্লকপা ফিভম অসিদা মহাক্না লেপ্লম্বা, থেংনরম্বা নৌহৌননা নীংশিংদুনা জননেতা ইরাবতপু মশক শেংনা খংবা, মহাক্কী পূন্সি, থবক অমসুং ৱাখল্লোন মমুৎ তানা নৈনবা, অচুম্বা অসেংবা অদুমক মাঙদা থমদুনা জাতি অসিনা মাঙলোমদা চৎখৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা অনৌবা মনিপুর অমা শেমগৎলসি।

# অৱাবা তারবশিংগী তেঙবাং – ১

পি আই বি ফিচর

*প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংদা শেল-থুম গী মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা শেল-থুমগী পেকেজ অসিগী অকুপ্পা মরোল লাউথোক্লককখি।*

এম এস এম ই শিংগীদমক ঃ

এম এস এম ই শিংবু মখোয়গী শেনবুনদা মতেং পাংনবগীদমক কোলেতরেল ওইবা ফ্রী ওটোমেটিক লোনদা লুপা কোটি লাক্ষ অহুম ফাউবগী চাংদা পীরি। কোর্পস ওইনা লুপা কোটি ১০,০০০ ফাউবগী ফন্দশিংগী ফন্দ ওইনা লুপা কোটি ৫০,০০০ থাদগদৌরি। নন-পার্ফোরমিং এসেৎ লৈবা ৱাখল ৱারবা এম এস এম ই শিংবু মতেং পাংনবা সবওর্দিমেৎ দেৎ সপোর্ট, মসিগী স্কিম অসিগী মখাদা, এম এস এম ই প্রোমোৎ তৌরিবশিংনা এম এস এম ই শিংদা ইক্বিতী ওইবা য়াগদবা বেঙ্কতগী শেল পুহমগনি। গভর্নমেন্ট অসিনা এম এস এম ই শিংগীদমক সবোর্দিনেটিং দেৎ ওইনা লুপা কোটি ২০,০০০ কাইথগনি।

এন বি এফ সি / ঐচ এফ সি ই/ এম এফ আইশিং ঃ

এন বি এফ সি / ঐচ এফ সি ই/ এম এফ আইশিং অসি দেৎ মার্কেত্তা শেল তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা ফিভম অমদা লৈরি। মসিগী স্কিম অসিগী মখাদা এন বি এফ সি / ঐচ এফ সি ই/ এম এফ আইশিংগী ইনভেস্তমেন্ট গ্রেদ দেৎ পেপরদা প্রাইমারী অমসুং সেকেন্দরী মার্কেৎ ত্রাজেক্সন অনীমক্তা শেল থাদগনি। পি এম গরিব কল্যান যোজনাগী মখাদা সরকার অসিনা অয়াবা পীরবা ইস্তাব্লিস্মেন্টশিংগী ই পি এফ, একাউন্টশিংদা ইমপ্লোয়রশিংগী চাদ ১২ অমসুং ইমপ্লোয়ীসিংগী চাদা ১২ পীখ্রে। হায়রিবসি লল্লোন ইতিক অদুগী রিলিফ পীনবগীদমক হোৎনখিবনি। স্ত্রীৎ ভেন্দরশিং ওইবা ক্রেদিৎকী অখন্নবা স্কিম অমসুং হৌদোকখি। স্কিম অ সিগী মখাদা, ভেন্দর খুদিংমক্তা অহানবগী থবক পায়খৎপা য়ানবগী শেনবুন ওইনা লুপা ১০,০০০ গী বেঙ্ক ক্রেদিৎ পীগনি।

সরকারগী অমসুং সি পি এস ই শিংদগী এম এস এম ইশিংদা পীগদবা লেমহৌরিবা শেনফমশিং থাদোকখ্রে অমসুং ইন্দিয়াগী এম এস এম ই শিংবু মপানগী কম্পেনিশিংগা চাংদম্নবদগী ঙাক শেনবীনবগীদমক লুপা কোটি ২০০ ফাউবগী মালেমগী টেন্দরদি সরকারগী পোৎ লৈনবগী তেন্দরদা য়াওহনগদৌরিবনি। সেলারী ওইদবশিংগী টেক্স দিদক্সন ত্রৎ সোর্স্কী রেৎ অমসুং ভেক্স কল্লেক্তেদ ত্রৎ সোর্সসু হান্না লৈরম্বদগী চাদ ২৫ তাখ্রে। মসিনা কোটি ৫০,০০০ গী লিক্বিদিতী পীনবা হোৎনরি।

## ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

### হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্তৌরব্রা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

অওনবা হায়বসিমক্তবু মীওইবনা থওইনা হোৎনরুবা তৌদ্রবসু মথন্তা মহৌশাগী খোঙচৎনা অদুম পুজরক্লিবনি। থিংলুবা ঙম্বা নত্তে। মসিগুম্বা অহোঙবা অওনবগী লেঙদবা খোঙচৎ অসিদা লেপ্তনা হেনগৎলক্লিবা মীওইবশিং অসিনা মশানা খঙনা অমদি খঙদনা অওনবগী শক্তম অমদি খোঙচৎকী মায়ওন হোংহনবসু থোক্তবা নত্তে। পুখৎচনিংলিবা ৱাফমসিনা মীওইবনা অতম্মনা পুরকপা অওনবগী মতাং অসিনি। অওনবসি অফবদসু ফত্তবদসু অদুম্মক অওনবা পুদুনা লাক্লি। ওলহনলি। অসিগুম্বা মওংগী অওনবসিদা ওনবদি মাল্লগা হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিল্লকপা অমদি হন্থরকপগী মওংসু য়াওরিপোৎনি। মরম্বুদি শোয়দনা লৈরমগনি, লনশোৎপীনা পাউখুম ৱাৎতে হায়নরিদনা। অদু ওইরবসু হন্দক থা অমা অনিসিদা মনিপুরগী পৱার সপ্লাইগী লমদা অওনবা অমা লাকপগুম মীয়াম্না থেংনরক্লি। মদুদি মরম ইখং খংহন্দনা মৈ ফুৎ-ফাৎ ফুৎ ফাৎ মুৎপা অসিনি। হোয় লাইন শেম্বগী, ট্রান্সফোর্মর শিনবগী, হোংদোকপগী পুং অসুক্তগী অসুক ফাউ মৈ থাজরোই, মৈ মমগনি হায়না মাঙজৌননা খংহনলকপা অসিবুদি শেমগৎ শাগৎপগীদমক তৌফম থোকপনিনা থোইনা ৱারৌনিংঙাই লৈতে। মসি নত্তবদা করিগীনো কৈদৌবেনো খংদনা মিনিট অহুম-মরি, অহুম-মরি ফুৎ ফুৎ মুৎপসিদি শাওনিংহল্লি। মসিবু মহৌশাগী লোড সেড্ডিংগী ফিভমদুদা হঞ্জিল্লকপা য়াই হায়বগী সিগনেল পীরক্লিব্রা হায়বসি করিগুম্বা মতমদা পূক্লিংদা ফাওরক্লি। অতৈ হিরমদা অওনবা পুরক্লবসু মৈগী মতাংদাসিদা পুরক্লিবা অওনবা অসিমদি মীয়াম্না হরাওনিংঙাই ওইদ্রি।

*–অদোমগী, পোইরৈতোন ৱাঙ্খৈ*




*লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর*